**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-06-2025)**

**কাং (এল)ঃ** মনিপুরদসু ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ ৯ নি চুপা চথুগদবা রথ যাত্রগী থৌরম হৌখ্রে। ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা ভগবান জগনাথ, ভগবান বলা ভদ্রা অমসুং দেবী সুবদ্রাগী কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

ইম্ফালগী শগোলবন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ অমদি ইস্কোন মন্দিরদসু রথ যাত্রাগী থৌরম পাঙথোকখি। নুমিদাংৱাইরমদা লৈকাই লৈকাইদসু কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

মালেমদা মমিং চৎলবা ভগবান জগনাথকী রথ যাত্র কুম্মৈ, ধর্ম্মগী চৎনবী অমদি হরাউ তয়ান্নবগা লোয়ননা শেংলবা সহর পুরিদা ঙসিদগী হৌরে।

শেংলবা থৌরম অসি য়াওনবগীদমক লৈবাক অসিগী অমদি মপান লমদগী ভক্তা লাখ কয়ানা পুরিদা লাকখি। ঙসি অয়ুক ভগবান জগনাথ, বলা ভদ্রা অমসুং দেবী সুবদ্রাগী কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

**ধরতি(এল)ঃ** নুমিৎ ১৫০ নি চথুগদবা ধরতি অবা জন্ন জাতিয়া উতকারস অভিয়ানগী এৱারনেস অমদি বিনিফিট সেচুরেসন কেম্পগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তমেংলোংগী খৃষ্টান গ্রমার স্কুলদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট-এদভোকেট-দেনিয়েল কামশুৱাননা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরমদুগী মতাংদা স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল পানমৈ ঐচ.ক্লেমেন্টনা হায়-কেম্পেইন অসিনা ত্রাইবেল মীয়ামদা তুং কোইনা কান্নবা ফংহনগনি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা ত্রাইবেল মীয়ামগী পুন্সিগী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা স্কিম কয়াসু হৌদোক্লি। ত্রাইবেল মীয়ামগীদমক সরকারনা পায়খৎলিবা থবকশিং অমদি স্কিম

কয়াগী পাউজেল শন্দোকবসু মহাকা মহৈরোইশিংদা খঙহনখি।

**এআর(এল)ঃ** নমদুনা শেল লৌবগী থবক থিংনবগী মায়োক্তা চংশিনবা খোঙজং অমদা অসাম রাইফলসনা ঙরাং নোনে জিলাগী ইরং থোং মনাক্তগী ত্রক দাইভরশিংদগী নমদুনা শেল লৌবা মীওই অনি ফারে।

মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ১২ অমসুং মোবাইল ফোন অনিসু ফাগৎখি। মখোয়গী মথক্তা ভারত্তিয়া নিয়াই সনহিতাগী মখাদা এফ.আই.আর. অমসু রেজিস্তার তৌখ্রে অমদি ফারবা পোৎলমশিং অদু মফম অদুগী পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**বেরিং (এল)ঃ** হান্নগী এম.এল.এ. অমসুং রাজ্য সভা মেম্বর-বি.দি. বেরিং ঙসি নুমিৎযুংবা মতুংদা দিল্লিগী গঙ্গা রাম হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে।

**বোসেম(এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (কম্পারমেন্টেল-স্পিসিএল) ইগজামিনেসন-২০২৫, থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী ৭ ফাওবদা পাঙথোক্লগনি হায়না বোর্ড অসিগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**কোবিদ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ঙসি নৌনা কোবিদ পোজিটিব ওইবা মীওই ১৫ থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-পোজিটিব ওইখিবশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৯, ইম্ফাল ইষ্টতগী অহুম, থৌবালদগী অনি অমসুং বিষ্ণুপুর অমা য়াওরি।

হৌজিক রাজ্য অসিদা কোবিদকী এক্তিব কেস ১৩৫ লৈ।

**ইন্দষ্ট্রি (এল)ঃ** ঙসি অসি মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেস (এম.এস.এম.ই) নুমিৎনি। এম.এস.এম.ই অসি মণিপুরগী শেনমিৎলোনগী ওইনদি য়াংলেন শরুনি। মসিনা থবক পীবা, নহা অমসুং নুপীশিংবু খুঙ্গং অমসুং সহর খায়দনা শক্তি পীরি।

সরকারগী পাউনা হায়-মণিপুর সরকারনা এম.এস.এম.ইবু চাওখৎহন্নবা অমদি মতেং পাংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। পোলিসি শেন্বা, ত্রেনিং পাঙথোকপা, শেল থুমগী মতেং পাংবা অমসুং পোৎ চৈ য়োনফমগী খুদোংচাবা ফংহনবনচিংবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। মণিপুরবু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা রাজ্য অমা ওইহন্নবগীদমক ঐখোয় পুন্না পীকা করবার তৌজবশিংবু পুকিং থৌগৎপীবা অমসুং তেংবাংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু চেরোল অদুনা হায়রি।

**ক্রোস(এল)**ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-থৌবাল ব্রান্সকী ১৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হানা কামৈনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা মীয়ামগী অৱা অনা তারবা মতমদা তেংবাং পীবগীদমক মখোয়বু পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোংদোকখি। থৌরমদুদা সোসাইতি অসিনা শিনবা কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তারবশিংদসু মনা মথুম য়েন্থোকখি।

**হেলেন(এল)**ঃ রিলিফ সেন্টর ফোর দা ৱেলফিয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন্স-মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী তেরা ৱাংথোনবী লৈকাইদা হেলেন অদামস কিলরগী ১৪৫ শুবা মপোক নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা তিনখিবশিংনা হেলেন কিলরগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**চর্চ(এল)ঃ** রোংমৈ বেপটিস চর্চেস কাউন্সিলদা এফিলিয়েট তৌবা নোনে জিলাগী মনুংদা লৈবা চর্চ খুদিংমক্তা ভেকেসন বাইবল স্কুলগী থৌরম পাঙথোক্লি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি-ওনরেবল বেসেল হায়বসিনি।

বাইবল পাবা, ঈশৈ অমসুং কোরসনা নুমিৎ তরেৎনিরোম চত্থগদবা পালন থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

অমরোমদা, লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী মখাদা লৈবা খেলচংলোন লোইশঙনা শিনদুনা মথং থাগী অমদগী হৌরগা অহানবা ওইনা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা অপোক লোল ইবা অমসুং য়েংবা তম্বীবা হৌরগনি হায়না বোর্ড অসিগী চেরোল অমনা হায়রি। থা তরুক চত্থগদবা কোর্চ অসি নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী নুংথিল পুং অহুমদগী মরি ফাওবা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল বোর্ড অসিদগী খঙবা য়াগনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-লৈবাক অমদি টেরোরিজমগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা য়াওহনবা পামদবদগী ভারতনা চিনাদা পাঙথোকপা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও) গী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফমদা লৌখিবা জোইন্ট দোকুমেন্টতা সহি তৌখিদে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-এস.সি.ও. অসি টেরোরিজম থেংননবগী পান্দমদা শেমখিবনি। মহাকা হায়-ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা জোইন্ট দোকুমেন্ট অদুদা টেরোরিজমগী মতাংদা পন্দ্রবদি ভারতনা সহি তৌরোই হায়না ময়েক শেংনা ফোংদোকখ্রবনি।

**রাজনাথঃ** ভারতনা চিনাগা ঙমখৈ পরিংগী মতাংদা তুং কোইনা চৎকদবা য়ান্নবা পুরকবা অমদি লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না থাজনবা হেনগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখ্রে।

ভারত-চিনা ঙমখৈ পরিংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহনবগী তঙাইফদবা অমসুং মতম চুপ্পগী ওইনা য়ান্নগদবা রোড মেপ অমা শেম্বগী অপান্বসু ন্য দিল্লিনা ফোংদোক্লি।

চিনাদা পাঙথোকপা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও) গী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফম য়াওবা লাকপদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা চিনাগী ঙাকশেল মন্ত্রি-এদমিরেল দোংজ্নগা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা নাকল অনিনা পায়খৎলিবা থবকশিং অদুবুসু শ্রী রাজনাথনা য়েংশিনখি। মালেম অমসুং এসিয়াদা তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা লৈবাক অনিনা অমগা অমগা মতেং পাংননবা অমদি খুদোংচাবা কয়া লৌননবগী মতাংদা চান্নবা ফিভম অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবসু শ্রী রাজনাথনা ফোংদোকখি।

**ইন্দো-রাসিয়াঃ** এস-ফোর হন্দ্রেদ সিষ্টেমস, সু-থারতি এম.কে.আই. অপগ্রেটস অমসুং লান্মীগী মরুওইবা খুৎশু খুৎলায় লৈনবগী মতাংদা ভারত অমসুং রাসিয়ানা ৱা খন্নখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা রাসিয়াগী ঙাকশেল মন্ত্রি-এন্দ্রি বেলাউসোবকা চিনাগী কিংদাউদা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মন্ত্রি অনিনা ঙমখৈ ৱাংবদগী চথরকপা টেরোরিজম, ঙাকশেলগী লমদা ভারত অমসুং রাসিয়ানা তেংবাং পীনবা অমদি হৌজিক ওইরিবা জিও পোলিটিকেলগী ফিভম য়াওনা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু কুপা খন্নখি। উন্নবা অদুদা রাসিয়াগী ঙাকশেল মন্ত্রিনা ভারত অমসুং রাসিয়াগী মতম কুইনদগী লৈনরক্লবা মরী অদু নৌহৌনা নিংশিংবগা লোয়ননা পাহলগাম তেরর এটেক্কী মতাংদসু নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ওপরেসন সিন্দুরগী মতুংদা পাঙথোকপা মীফম ওইবনা মন্ত্রি অনিনা উন্নখিবা অদু য়ামা মরুওই।

**লোকোমোটিবঃ** ভারতনা মোজামবিবতা হোর্স পৱার লিশিং ৩,৩০০ গী দিজল ইলেক্ট্রিক্ট লোকোমোটিব তরা পীরগনি।

বনারস লোকোমোটিব ৱাক্সনা শাবা লোকোমোটিবশিং অসি টেকে ালোজিগী লমদা খুমাং চাউশিনবতা নত্তনা দ্রাইভরদা অখন্নবা খুদোংচাবা কয়ামরুমসু য়াওরবা মখলগীনি। মসিগী মনুংদা এসথেটিক কেপ দিজাইন্দ, টোইলেট অমদি রিফ্রিজেরেটরনচিংবা য়াওরি। মসিনা দ্রাইভরদা হেন্না খুদোংচাহনবতা নত্তনা মালেমগী থাক্কী ওইবা অতৈ খুদোংচাবা কয়াসু ফংহল্লি।

অকাশবানি (ন্যুজ) কা ৱারী শান্নবদা রেলৱে বোর্ডকী ইগজ্কিটিব দাইরেক্তর-দিলিপ কুমারনা হায়-লোকোমোটিব তরা অসিগী মনুংদা অনিদি থা অসিগী মনুংদা পীরগনি। অদুগা অতৈ ৮ অদুনা চহি অসি লোয়শিল্লকপদা পীগনি।

**রেখাঃ** দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-রেকা গুপ্তনা ঙসি দিল্লিদা ইলেক্ট্রিক্ট বস ১০০ লমথাখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-দেবী ইলেক্ট্রিক্ট বস ১০০ অসিনা দিল্লিগী লন্বী ৯ দা চেনগনি। মহাকা হায়-দিল্লিগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনগী পান্বে অসি মীয়ামদা খ্বাইদগী খুদোংচাগদবা মওংদা ইলেক্ট্রিক্ট মোট ওইহল্লগনি।

**চিনিঃ** লৈবাক অসিনা কুমশি চহিগী ওইনা চিনি মেট্রিক টোন কোতি অহুম মখায়গী ময়া য়ৌদুনা পোৎথোক পুথোকপগী চাং চাদা ১৫ হেনগৎলবা য়াই।

ক্রেদিট রেটিং এজেন্সিনা পুথোকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না কুমশি চহিদা নোং নীংথিনা চুবদগী চুগী পোৎথোক হেনগৎতুনা চিনি পুথোকপগী চাংসু হেনগৎলবা য়াই।

**পঞ্জাবঃ** পঞ্জাবতা দ্রগকী সমস্যা থেংননবা দাটা ইন্টিলিজেন্স অমসুং টেকিকেল সপোর্ট য়ুনিট অমা লিংখৎনবা য়ান্ন ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে।

য়ান্ন-ৱারোল অদু পঞ্জাব সরকার অমদি ডাক্তর দি.আর. অম্বেদকর ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস-মোহালি অমসুং বিদ্যা সাগর ইন্সটিট্যুট ওফ মেন্টেল হেলথ-অমৃতসহরগী মরক্তা সহি তৌনখিবনি।

য়ুনিট অসিনা সাইকো সোসিএল ইয়ারগী কমপ্রেহেন্সিব মোদেল শেম্বগা লোয়ননা রিহেবিলিটেসনগী লমদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনগনি। মসিনা রাজ্য অদুদা চথরিবা এন্টি দ্রগ কেম্পেইনশিংদা টেকিকেলগী ওইবা তেংবাংসু পীগনি।

**এআর(এল)ঃ** মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা দাইরেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলসকী হেদক্বাটরসনা শিনদুনা লাইতকোলদা লৈবা অসাম রাইফলস মল্টি স্পিসিএলিতি হোস্পিতালদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

নৈগ্রীমস শিল্লোংগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদু ঈ পীয়ু, আশা পীয়ু, ঐখোয় পুন্না পুন্সি কনমীন্নসি হায়বা থিমগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা পুন্না মীওই ১০০ রোমনা ঈ দান তৌখি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা লৈবাক শিনবা থুংবদা কুমগী নোং চুরগনি।

ৱেদর এজেন্সিনা হায়-সৌরাস্ত্রা, কটচ অমসুং লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা অকনবা নোং চুরগনি।

**গেমস ঃ** ইং ২০২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড পুলিস অমসুং ফয়ার গেমস

ভারতনা য়ুম্বু ওইরগনি।

য়ু.এস.এগী বরমিংহামদা পাঙথোকখিবা দব্লিউ.পি.এফ.জি মীফমদা ভারতনা নিংথিজবা প্রজেন্টেসন পীখিবা অদুগী মতুং তারকপদা য়ুম্বু ওইনবা লাউথোরকখিবনি। গেমস অসি গুজরাতকী অহমেদবাদ, গান্ধিনাগর অমসুং একতানাগরদা পাঙথোক্কনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিসুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-অংথা এফ.সিনা রাইজিং এঠলেটিক্স য়ুনিয়ন (ত্রাউ) বু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-আসুফি এফ.এনা নিশাবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোংখোঙ আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫ শুবা অম্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা দা য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লবনা মনিপুর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি। হয়েং অয়ুক পুং ১০ দা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. অমসুং এম.য়ু.এফ.এ. লম্বা থেংনগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী চালৌ গ্রাউন্দদা চথরিবা ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রিক্কাটর ফাইনেল মেটচশিংদা-ইমা পান্থোইবী এফ.সিনা ই.য়ু.সি. কামেং খুঞ্জাউবু পাঞ্জল ১-০ দা, নোঙ্গ্রেননা ও.এন.ৱাই.সি-ওকশুবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি।

**হোকিঃ** চেন্নাইদা পাঙথোকপা হোকি ইন্দিয়া মাস্তরস কপকী নুপীগী ৱিন্নর উরিষ্যানা ওইরে। কপ অসিগী ফাইনেলদা উরিষ্যানা পঞ্জাবপু পাঞ্জল অমদা

মায়থিবা পীখিবনি।